# মণিপুরগী হোক্কি শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী ইহান হান্না ষ্ট্রো- টর্ফ ফিল্ডদা শান্নরকখিবা প্লেয়রসি ঐহাক্নী



লৌরেম্বম তিকেন সিংহ
ৱর্ল্ড কপ্পর, হোক্কি

(ঙরাংগী মখা)

কোচিং চথুরকপসিদা, ঐখোয়না থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবসি উবদা, এম পি গনেসনা ঐখোয়বু লুনা নুংশিনা তৌই। ঐখোয় মৈতে মচাশিংদা মহাক্না তত্তনা হায়বসিনা নখোয় ৱা ঙাংবা তম্মু, নখোয় মশেনসি নুংশিনা তীন্ন-লোইনবা তম্মু হায়দুনা অদুম হায়বিরকখি। লক্ষৌ কেম্পসিদা তশেংবগীদি ঐখোয়দা হিন্দি লোন য়াম্না ইমপ্রুফ তৌখি। শুম লৈমীন্নরকপদগী খঙহৌদে লোনসিসু ঙাংলকখি। লোন ফাওনরকপদগীদি প্রেক্টিস তৌমিন্নবদসু হেন্না নুংঙাইরকখি।

অমরোমদা, ১৯৮০গী মতমসিদা ইন্দিয়াদদি ষ্ট্রো-টর্ফ ফিল্ড লৈত্রি। ১৯৮২গী ইন্দিয়ানা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা 'নাইন এসিয়ন গেমস' অসিদগী অর্টিফিসিয়েল টর্ফসি থানবা শেম শারকপদা ঙাইরি। দিল্লিগী নেহরু ষ্টেদিয়মদা (হৌজিক্লা ধ্যানচান্দ ষ্টেদিয়ম কৌখ্রবা) ইন্দিয়াগী ওইনা ইহান হানবা ' ষ্ট্রো-টর্ফ'সি থাখি। অদুনা, জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংগী টুর্নামেন্টসি মায়পাক্লবা হায়দুনা 'হোঙ-কোঙ'দা তাখিবামতমসিদা, খরাখুৎলোয়নবা হায়দুনা ইন্দিয়ন হোক্কি ফেদরেসননা শিন্দুনা ঐখোয় জুনিয়র হোক্কি টিমসি মাঙজৌননা থা অমা ৱাংলিঙৈদগী হোঙ-কোঙদা থাখি। ক্বালিফাইদ ওইদ্রবদি 'জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ'তা য়াওবা য়ারোইদবনা, ঐখোয়গীদমক য়াম্না কন্না হোৎবীখি। হোঙ-কোঙদা ঐখোয়সি গুরুদ্বারদা লৈখি। ঐখোয় প্লেয়রশিংগী চান-থক্লবসি ইন্দিয়ন কম্যুনিটি লৈরিবা ময়ামদুনা থাকই। ঐখোয়সু ফজনা এদজষ্ট তৌদুনা শান্নবা হৈবসু কনামত্তা য়াওদ্রি। থা অমদুদা ঐখোয় হৈননবা কন্না হোৎনরকখি। মৈতে মচাশিংগী মনুংদগী ষ্ট্রো-টর্ফ হোক্কি ফিল্ডদা শান্নরকখিবা প্লেয়রসিসু ঐখোয়না অহানবনি। হৌরকপা মতমদা, পাক চাশিন্নবা ঙমদবগী য়াম্না ৱাখি। ১৯৮০গী মতমসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা ফিল্ডদা শান্নবা খোঙউপ, বোল, হোক্কি ষ্টিকসু অমত্তা লৈত্রি।

হোঙ-কোঙদা ঐখোয়না খ্বাইদগী ঙকখিবা অমনা, ইন্দিয়াগুম্বা হোক্কি য়াম্না পাম্না শান্নবা কন্ত্রি অমদা হোক্কিগী ষ্ট্রো-টর্ফ হোক্কি ফিল্ড অমফাওবা লৈরমদ্রগা হোঙ-কোঙগুম্বা, হোক্কিদা মমিং লৈরবা লৈবাকসু নত্তবসিদা টর্ফ ফিল্ড ফজনা থারগা লৈরম্বা অদুনি।

### রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

হোঙ-কোঙসি অপীকপা মফমনি। নাগালেন্দ, মিজোরামগুম্বগী ষ্টাইলসিনি। পিকসু য়াম্না পীকই। অচৌবা লৈতেম মান্নবা মফম কা হেন্না লৈবসু নত্তে। লৈরিবা মওংদু চীঙ লৈরে, অদুদগী হেক লৈথখিবদা সমুদ্র অদুম উরে। অপীকপা মফমদা লুনা নান্না টর্ফ ফিল্ড শেমদুনা লৈরম্মী। গ্রাউন্দদুগী মথক অমদি নাকন্দা মী চখোক-চৎশিনগী লম্বেলসু অদুম লৈ। ঐখোয়সি হোঙ-কোঙগী ফিল্ডদুদা থা অমরোমসি জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ক্বলিফায়িংগী টুর্নামেন্ট মায়পাক্কনবা হায়দুনা প্রেক্টিসশিং অয়ুক-নুংথিল পারগা কন্না তৌখি। অদুবু নুংঙাইতবা অমদি ঐখোয়না তোঙলিবা খোঙউপ, শান্নরিবা বোল, পায়রিবা হোক্কি ষ্টিকতু ষ্ট্রো-টর্ফতা শীজিন্নগদবা খুৎশু-খুৎলায় অমত্তা নত্তবনিনা প্রেক্টিস তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। মতমদুদা ঐখোয়না তোঙলিবা খোঙউপ্পুসু বাটাদা ফঙবা ফি খোঙউপ পৱর হায়বদুনি। ইন্দিয়াগী হোক্কি প্লেয়র ঐখোয় অয়াম্বা অদু ঙাক্তা তোঙই।

ফি খোঙউপনিনা খরা শান্নরকপা মতমদা, ঈশিং চোৎলকপদদি খোঙসি লেঙবনিনা শান্নবা ফ্রি ওইবা য়াদে। তঙাইফদবগী অদুম তোংবনি। টর্ফ ফিল্ডদা শান্নবগা গ্রাসকী ফিল্ডদ শান্নবগদি অদুক্কী মতিক খেন্নে। গ্রাউন্দদুগী মতুং ইন্না শান্নবদা শীজিন্নগদবা কিটসতসু চাওনা খেন্নরকই। অদুবু টুর্নামেন্ট নংননবা ফেদরেসনগী কাংবুনা ঐখোয়গীদমক হেদ কম্পেনি অমদগী ট্রেক-সুইট অমনে, খোঙউপ অমনে টুর্নামেন্টতু ক্বালিফাইদ ওইবা ঙম্নবদি পীবিরকখি।

থা অমরোমগী মতম লৌদুনা হোঙ-কোঙদা প্রেক্টিস তৌজখিবদুমদি তশেংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদা য়াম্না কান্নখি। খোঙচৎতুদা লাইবক থিখিবা অমনা গোলকিপ্পরগী প্রেক্টিস তৌবসিদা হেন্দ গ্লোবসি খরা ক্বালিটি লৈতবা ওইদুনা নিলকোমোলগী য়েৎথংবা মখুৎসি য়াম্না থিনা শোকখি। মাগী য়েৎথংবা খুবীসি বোল ঙাকপদা পান্দুনা পুমকায় কায়বদগী হোঙ-কোঙসিদা ওপরেসনসু তৌখি। অদুনা থা অমগী মতমদু অয়াম্বা মতমদি হোস্পিটলাইজ তৌদুনা লৈখি। মহাক শোকখিবা অদু ইন্দিয়ন টিমদসু নুংঙাইতবা অমা ফাওহনখি। ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান গোল কিপ্পর ওইনা চৎপনিনা হোঙ-কোঙদা তৌখিবা 'জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ' ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টতু য়াম্না ৱানা শান্নখি। চৎমীন্নরিবা ঐখোয় প্লেয়র ২৬ অদুনা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌন্নরগা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনখি। লিগ মেচতা ন্যু জিলেন্দগা ঐখোয়গা অকনবা লম্বা ওইখি। অদুবু ইন্দিয়ানা ৫-০দা থোইবা ঙমখি। সেমি ফাইনেলদা ঐখোয়গা কোরিয়াগা তাখি। মদুদসু ঐখোয়না ৩-০দা থোইখি। অদুদগী ফাইনেল চঙদুনা জুনিয়র 'ৱর্ল্ড কপ' কী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি। ফাইনেল ইন্দিয়াগা ন্যু জিলেন্দগা তাখি। মদুদা ন্যু জিলেন্দনা অমুক ২-১দা থোইখি। ঐখোয়না রন্নর্সঅপ ফঙলকখি।

-মথং-মথং-



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৫

১) মহাক চহী ৫ য়ু এস এ ওলিম্পিক্কী স্পিদ স্কাটিং টিমগী ফিজিসিয়ান ওইরমখি। মহাক প্রোফেস্নেল সাইলিসনি। মহাক ৱিন্টর ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) মমিং চৎপা ফুটবোল শান্নরোয় খরগী মমিং পীরি। মখোয়গী মনুংদা শন্তোস ট্রোফি শান্নবদা শরুক য়ারুবা অদুগী মমিং পীয়ু। শ্রী অকোইজম মনিহার সিংহ, মেজর দয়ামোই সিংহ, ওইনাম দিমোচা সিংহ, সৱাইজম ধিরেন (গোল কিপ্পর)

৩) অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী মনুংদা শ্রীথৌবা সিংহ অহানবা ওইনা কমনৱেলথ গেমসতা শরুক য়াখি। তৌইগুম্বসুং অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী ওইনা এসিয়ন গেমসতা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মণিপুরগী ভোল্লিবোল টিম অসামগী অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখি। করম্বা চহীদা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রোওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## বি এ সিগী মীখলদা বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট হিমন্তা ভাইস প্রসিদেন্ট খনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সী):

বেদমিন্টন এসিয়া কাউন্সিল (বি এ সি)গী মীখলদা বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা হিমন্তা বিস্বা শর্ম্মা ভাইস প্রসিদেন্টখনখ্রে।

মশাগী চহী ৫০ শুরবা হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মনা বেদমিন্টন এসিয়া কাউন্সিলগী মীখলদা ভাইস প্রসিদেন্টগী মীরেপ ওইখিবদা অপুনবা ভোট ৪০ লৈবগী মনুংদা ৩৫ ফংদুনা ফম অদু পায়গদৌরিবনি।



ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী ইহৌ অসি মালেম্না মরিক চুম্না খঙলবা মরম্না লৈবাক অসিগী বেদমিন্টন এসোসিসেয়নগী মকোক (প্রসিদেন্ট) ওইরিবা হিমন্তা বিস্বা শর্ম্মনা এসিয়াগী বেদমিন্টন মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা বেদমিন্টন এসিয়া কাউন্সিলগী থবক থৌরমশিং পুগদবা মীওইশিংগী মীখলদা ভাইস প্রসিদেন্টগী ফমদা অপুনবা ভোট মশিং ৪০ লৈবগী মনুংদা মহাক্না পুন্না ভোট মশিং৩৫ ফংদুনা ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌদাং অদু পুগদৌরিবনি। হিমন্তনা বি এস সিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরকপা অসিনা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন মশান্না অসিগী লৈরিবা থাক অসি হন্নদগী হেনগৎপা ঙম্নবগী মমি অমা উরি।

## চাইনানা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ১১রক শুবা টাইটল জপান মায়থীবা পীরগা লৌবা ঙমখ্রে

নানিং, মে ২৬ (এজেন্সী):

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি নানিংদা পাঙথোকপা মালেমগী বেদমিন্টন মশান্নগী মিক্স টিমগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা জপানবু মায়থীবা পীদুনা য়ুম্বু চাইনানা টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারিগী মমাঙদা থমদুনা লাক্খিবা খ্বাইদগী টাইটল লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু মখা তানা ১১রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।





চাইনাগী টিমনা সেমি ফাইনেলদা ঙরাং থাইলেন্দগী টিমবু মেচ ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। নাকল অমরোমদা মখোয়না ঙসি ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবা জপানগী টিমনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াবু মেচ ৩-১দা থোইরগা লাকখি।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু চাইনানা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারিদা মাংজেন্না টাইটল ১০রক লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগীফজবা টিম অদু ওইখি। মখোয়না ঙরাং থাইলেন্দগা শান্নবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী মংওইননা ক্বার্টর ফাইনেলদা দেমার্ককী টিমবু অকনবা লম্বা অমদা মেচ ৩-১দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

থাইলেন্দগী টিমনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সাউথ কোরিয়াগী টিমবু মেচ ৩-১দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল শান্নখিবা টিম ইন্দোনেসিয়ানা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী টিমবু মেচ ৩-২দা থোইবা ঙমখি। মখোয়গা সেমিফাইনেল লম্বা তৌখিবা জপাননা ক্বার্টর ফাইনেলদা মলেসিয়াবু মেচ ৩-০দা থোইখি।

সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নান্টে অসিগী ফাইনেল লৌখিবা চাইনানা ঙরাং মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা থাইলেন্দগী টিমবু মেচ ৩-০দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা জপাননা ইন্দোনেসিয়াগী টিমবু মেচ ৩-১দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

চাইনাগী টিমনা জপানগা ঙসি শান্নখিবা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা মেচ অদু নুপাগী দবলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা চাইনানা মায় পাকপা ঙমদুনা মখা তানা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা চাইনাগী সেন য়ুফৈনা জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল অদুগী ২শুবা মেচ শান্নবা লোইবা ফাওবদা মেচ ২ মায় পাক্তুনা চাইনানা জপানবু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী মখা তারকপা ৩শুবা মেচতা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেচতা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা জপানগী কেন্তো মোমোতানা চাইনাগী সি য়ুকিগা লম্বা তৌনখি। মদুদা জপানগী শান্নরোয় অদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌনবগীদমক মায় পাক্লনবা মথৌ তাখিবনি। অদুবু চাইনাগী শান্নরোয় সি য়ুকিনা জপানগী কেন্তো মোমোতাবু ২১-১৫, ৫-২১, ২১-১১দা থোইদুনা সুদিরমান কপকী ১১রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ম্যুনিক ৱর্ল্ড কপ সুট্টিংদা ইন্দিয়াগী অপুরবি চন্দেলানা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা গোল্ড মেদল ফংখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সী):

জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা পাঙথোকপা ম্যুনিক ৱর্ল্ড কপ সুট্টিং চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অপুরি চন্দেলানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।





ঙসি পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ সুট্টিং অদুগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অপুরবি চন্দেলানা চাইনাগী সুট্টর ৱাং লুয়াওবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৬তা ঙাইরিবী অপুরবি চন্দেলানা ম্যুনিক ৱর্ল্ড কপ অদুগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র ফাইটল ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দা অপুনবা সুট্টর ১৪৯গী লম্বাদা পুন্না পোইন্ট ৬৩৩ ফংদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপদা মকোক ওইবা ঙমখি।

অপুরবি চন্দেলা ইন্দিয়াগী নুপীগী সুট্টরশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা সুট্টর অমা ওইরিবনি। মহাক মশামক কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী সুট্টর অমনি। মহাক্না চৎলিবা সিজন অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী কোনুং দিল্লিদা পাঙথোকখিবা সুট্টিংগী অহানবা ৱর্ল্ড কপ্তা অনৌবা রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌখি।

ঙসি জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড কপ সুট্টিংগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা চাইনাগী সুট্টর ৱাং লুয়াওগা লম্বা তৌনবা অদুদা ফাইনেল রাউন্দদা চাইনাগী সুট্টর ৱাংদগী অপুনবা পোইন্ট ০.৪ শোথরগা লৈখি। অদুবু ইন্দিয়াগী সুট্টর অপুরবি চন্দেলানা ফাইনেল রাউন্দ অদুগী লেমহৌবা সোট অনী ১০.৭ অমসুং ১০.৮ কাপ্পুনা চাইনাগী সুট্টর ৱাং লুয়াওদগী ০.৫ হেনবা ঙমখি।

ফাইনেল রাউন্দ অদুগী অরোইবা সোট অনী অদুদা চাইনাগী সুট্টর ৱাং লুয়াওনা ইন্দিয়াগী সুট্টর অপুরবি চন্দেলাদগী ফজবা ঙম্লবসু মমাঙগী রাউন্দ অনীদা পোইন্ট ০.৫ হেনবা ঙমখিবা অদুনা লোইশিল্লকপদা চাইনাগী সুট্টর ৱাং লুয়াওদগী পোইন্ট ০.২ হেল্লগা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসন অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

হায়রিবা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অদুগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর ইলাভেনিল ভলারিবনসু ক্বালিফাই ওইখি। অদুবু মহাক্কী ফাইনেল রাউন্দগী ইভেন্ট অদুদা পোইন্ট ২০৮.৩ ফংলগা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইটল ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অপুরবি চন্দেলানা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপগী লম্বেলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর ইলাভেনিল ভলারিবননা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা গোল্ড ফংখিবী অপুরবি চন্দেলানা পোইন্ট ৬৩৩ ফংবদা পোইন্ট ৬৩২.৭ ফংখিবনি। অদুবু ফাইনেল রাউন্দদা ফজবা ঙমখিদবদগী চাইনাগী অতোপ্পা সুট্টর জু হোংনা পোইন্ট ২২৯.৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখিবদা ইলাভেনিলনা পোইন্ট ২০৮.৩ ফংলগা মরীশুবা পোজিসন তাখি।

## ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মহেস মনগাওকরনা সেকিস্বী ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



ক্রিয়েন্স, মে ২৬ (এজেন্সী):

স্বিজর্লেন্দগী সিটি ক্রিয়েন্সতা পাঙথোকপা সেকিস্বী ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মহেন মনগাওকরনা নুপাগী সিঙ্গলস টাটইল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মহেস মনগাওকরনা সেকিস্বী ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ১ সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারকপনি। মহেসনা সেকিস্বী স্কৱাস টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল মমাঙদা অমসু লৌবা ঙমখ্রবনি। মদুগী মতুং ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা স্পেনগী শান্নরোয় বর্নাট জোমিগা লম্বা তৌনবদা গেম ৩-১দা মায় পাক্লগা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মহেস মনগাওকরগী মায়কৈদগী ঙরাং সেকিস্বী ওপন টাইটল অদু ফংখিবা অদুনা মহাক্কী কেরিয়র অদুদা ৮লক শুবা পোফেস্নেল স্কৱাস এসোসিয়েসন (পি এস এ) টাইটল ৮লক শুবা ওইনা লৌবা ঙল্লিবনি।

মহেস মনগাওকরনা স্বিজর্লেন্দদা পাঙথোকপা সেকিস্বী ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোয় ভলেন্টিন রাফপু ১১-৯, ১১-৬, ১১-৮তা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্বিজর্লেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৭ শুবা সিদেদ ওইরিবা রৈকো পিটরবু ১২-১০, ১১-৬, ১১-৬তা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখি।

মহেস মনগাওকরনা থা অসিগী ২৪দা শান্নখিবা সেকিস্বী ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা জেক রিপাব্লিক্কী শান্নরোয় দেনিয়ল মেকবিবপু পুং ১ রোমগী লম্বদা ১১-৪, ৬-১১, ১১-৪, ১১-৮তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্না ঙরাং অথেংবদা ফাইনেল লম্বা তৌনখিবা স্পেনগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় বর্নাট জোমিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা স্পেনগী হুগো ভরেলাবু ১১-৫, ১১-৭, ১১-৮তা থোইরবা মতুং সেমি ফাইনেলদা নেদর্লেন্দসকী শান্নরোয় খৃষ্টিয়ন ফ্রোষ্টপু ১২-১০, ১১-৬, ১১-৬তা মায়থীবা পীখি। ফাইনেলদা ঙরাং ইন্দিয়াগী মহেসনা স্পেনগী বর্নাটপু ১১-৯, ৩-১১, ১১-৫, ১১-৫তা মায়থীবা পীরগা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## কোচকী ফজদবা মীৎয়েংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৭না টিম অদু বোইকোট তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা শরুক য়ারিবা মরু ওইবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৭না টিম অদুগী কোচকী ফজদবা মীৎয়েং অদুগী মায়োক্তা টিম অদু বোইকোট তৌখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমদা মরু ওইবা শান্নরোয়গী থৌদাং লৌরিবা মণিপুরদগী হৌখিবা ঙাঙোম বালা, য়ুম্নাম কমলা, ক্ষেত্রিময়ুম মার্গরেট, কাসিমা এম এস, উমাপতি, এলাংবম পান্থোইচনু অমসুং রঞ্জিবালানা হৌখিবা থা ৫ অসিদা ইন্দিয়াগী নেসনল ৱুমেন্স টিমদা কোচনা য়েংলিবা মীৎয়েং অদুদা পেনদদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

শান্নরোয় ৭ অসিনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)তা কোচ ওইরিবা মেমোল অমসুং মণিপুরগী হৌখিবা চাওবগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোকপগী চেরোল পীবা লৈখ্রবনি।

শান্নরোয় ৭ অদুনা ইখিবা চেরোল অদুনা মখোয়না নেসনল ৱুমেন্স ফুটবোল টিমদা থেংনরিবা হেদ কোচ ওইরিবা মেমোল রোকি অমসুং এসিষ্টেন্ট কোচকী থৌদাং লৌরিবা মণিপুরদগী চাওবগী থৌশিলদা পেনদুনা কেম্পতা য়াওদবগী ইহৌ অদু ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

চেরোল অদুদা শান্নরোয়শিং অদুনা পনখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ অমসুং এসিষ্টেন্ট কোচ অনীনা টিম অদুদা শরু য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুবু অমত্তা ওইবগী থৌশিল পায়খৎপা ঙমদে। মখোয়না শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মীচং মীখাই নাইবগী থৌওং উৎপা অদুনা নেসনল কেম্পতা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা তোখাই তান্নবগী থৌশিল অমা শীল্লকপা অদুদা পেনদুনা এ আই এফ এফতা চেরোল থাখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমদা মীরমগী কোচ থন্বা অদুগুম্বা নুপীগী টিমদসু থন্বা পামখি। খুদোংচাবা ফংবগী মতাংদসু নুপাগী টিমদা চাদা ৫০ ফংলিবা অদুমক ফংদ্রবসু চাদা ১৫ খুদোংচাবা ফংলবদি ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসি হেন্না ফবা মায়োল অমদা পুরকপা ঙমগনি হায়না চেরোল অদুদা পল্লি। এসিষ্টেন্ট কোচ চাওবনা মহাক্কী ক্লব মণিপুরগী ক্রিপসাদগী লাকপা শান্নরোয়শিং খক্তমক পুক্লিং চঙলগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদা মীৎয়েং হন্থনা থল্লিবা অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা চেরোল অদুদা ময়েক শেংনা পনখি।